HUEIYEN LANPAO

# প্রাটুল জোশিনা বাহরেইন ইন্টরনেসনেল চেল্লেঞ্জগী টাইটল লৌখ্রে

## ভর্মাগী মচিন-মনাওনা বিটর্বর্জর ওপনগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে



ন্যু দেল্লি/সার্ব্রুকেন, নভেম্বর ০২ :
ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শট্লর প্রাটুল জোশিনা বাহরেইনগী সেগায়াদা চথখিবা য়ু এস দি ১৭,৫০০ বাহরেইন ইন্টরনেসনেল চেল্লেঞ্জ বেদমিন্টন টুর্ণামেন্টকী ফাইনেলদা অদিটয়া জোশিবু অকনবা মওংদা লম্বা তৌদুনা মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা মহাক্কী লেমজনিংঙাই ওইরবা ইন্টরনেসনেল টাইটল লৌখ্রে।

অমরোমদা, র্জমনিদা চথরিবা ভর্মাগী মচিন-মনাও সৌরভ ভর্মা অমদি সমীর ভর্মানা য়ু এস দি ১২০,০০০ বিটবর্জর ওপন গ্রান্দ প্রি গোল্ড বেদমিন টনগী মেন'স সিঙ্গলস কম্পিটিসনদা মায় পাকখিদুনা অনীশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

বাহরেইন ইন্টরনেসনেল চেল্লেঞ্জ বেদমিন্টন টুর্ণামেন্টকী নোংমাইজিং নুমিৎতা চথখিবা ফাইনেলদা অকনবা লম্বা তৌদুনা পুং অমা চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা প্রাটুল জোশিনা অদিটয়াবু ২১-১৭, ১২-২১, ২১-১৫ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

টুর্ণামেন্ট অদুগী সেমী ফাইনেল মেচতা অহুমশুবা সীদ প্রাটুলনা কম্পেট্রিওট সিধার্থ থাকুরবু ২১-১৬, ২২-২০ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি। অদুগা মরিশুবা সীদ অদিটয়ানা টোপ সীদ অনন্দ পৱরবু ২১-১৯, ২১-৭ তা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

টুর্ণামেন্ট অদুদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপা অমদি নুপীগী দবলসতা ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখি।

টোপ সীদ ভিঘনেশ দেভলেকর অমদি রোহন কাপুরনা রসিয়াগী জুরা ইভজেনিজ দ্রেমিন অমদি দেনিস গ্রাচেভকী মখুৎতা মেন'স দবলসতা ১৮-২১, ১৭-২১ দা মায়থীহৌখি। অদুগা ফার্হা মাথর অমদি আশনা রোয়না বাহেরেইনগী টশনিশা ক্রাষ্টো অমদি ইন্দোনেসিয়াগী এপ্রিলসাসি লেজারসার ভারেইল্লগী মখুৎতা ৱিমেন'স দবলস ফাইনেলদা মায়থীহৌখি।

অমরোমদা, জর্মনিগী সার্ব্রুকেনদা চথরিবা য়ু এস দি ১২০,০০০ বিটবর্জর ওপন গ্রান্দ প্রি গোল্ড বেদমিন্টনগী মেন'স সিঙ্গলস কম্পিটিসনদা সৌরভ ভর্মা অমদি সমীর ভর্মানা মায় পাকখিদুনা অনীশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখি।

মমাঙ থাগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা চাইনিজ টাইপৈ ওপনগী টাইটল লৌখিবা সৌরভনা ওষ্ট্রিয়াগী রুদিগর গনেদটপু মিনিট ২০ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ২১-১৬, ২১-১১ দা মায়থীবা পীখি। অদুগা মহাক্কী নহা ওইরিবা মনাওনুপা অমদি চহী অসিগী সেনিয়র নেসনলগী চেম্পিয়ন সমীর ভর্মানা জর্মনিগী অলেকজেন্দর রুভরর্সপু ২১-১১, ২১-১১ দা মায়থীবা পীখি।

বেলজিয়ম অমদি পোলেন্দদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনেল চেল্লেঞ্জ ইভেন্টতা ফাইনেল চঙখিবা সৌরভনা মথংগী রাউন্দ মেচতা চাইনিজগী শক্ক ইরবা অমদি ১৪শুবা সীদেদ জু সোংগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। ১২শুবা সীদ সমীরনা অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা ফিনলেন্দগী ইটু হৈনোগা মায়োক্কদুনা শান্নগনি।

ইন্দিয়াগী শট্লর সিরিল ভর্মা অমদি সুভাঙ্কর দেদি মায়থীদুনা লৈহৌখি। সিরিলনা তরুকশুবা সীদ অমদি ইন্দোনেসিয়াগী ইসান মৌলানা মুষ্টোফাগী মখুৎতা ১৭-২১, ১৬-২১ দা মায়থীখি। অদুগা সুভাঙ্করনা ইন্দোনেসিয়াগী মঙাশুবা সীদেদ জোনাটন ক্রিটিগী মখুৎতা ১৯-২১, ১৮-২১ দা অতোপ্পা ওপনিং রাউন্দ মেচতা মায়থীহৌখি।

ক্বালিফাইয়র রাউন্দদা নুপাগী দবলসকী জুরা ইন্দোনেসিয়াগী য়োগেন্দ্রন কৃষ্ণন অমদি কামলদীপ সিংহনা ওষ্ট্রিয়াগী ৱোলফগেং গনেদয অমদি মালেসিয়াগী ৰুন হোংবু ২১-১২, ১৬-২১, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীখি। য়োগেন্দ্রন-কামলদীপনা মথংগী রাউন্দদা ইংলেন্দগী মেথিয়ু নোট্টিনঘাম অমদি হার্লে টাউলরগা মায়োক্কদুনা শান্নগনি।

মিক্স দবলসকী জুরাদা কামলদীপ সিংহ অমদি মালেসিয়াগী জি ক্বিং লীনা জর্মনগী কোম্নো বজার্নে জেন্সিস অমদি ইভান জানসোসকী মখুৎতা ১০-২১, ২১-১৬, ১৪-২১ দা মায়থীহৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা টানভি লাদনা মহাক্কী অহৌবা কেম্প্যেনদা নেদরলেন্দসকী গেলে মাহুলেট্টকা অমসুং রুথভিকা শিভানি গাদ্দেনা নেদরলেন্দসকী সোরায়া দি ভিসচ ইজর্বাজেনগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

মেন'স দবলসকী ওপনিং রাউন্দদা ইন্দিয়াগী অক্সে দেবালকর অমদি কোনা টারুনানা জর্মনগী নিপানশুবা সীদ মাইকেল ফুচস অমদি জোহান্নেস স্কোটলরগা মায়োক্কদুনা শান্নগনি।

মিক্স দবলসতা প্রাক্তাকটা সৱান্ট অমদি মালেসিয়াগী জি ক্বিং লীনা দেনমার্ককী জুলি ফিন্ন-ইপসেন অমদি রিক্কে সোবি হান্সেনগা মায়োক্কদু লম্বা তৌনগনি।

# এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি : ইন্দিয়ানা মালেসিয়াবু ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলগী খোঙফম শেমখ্রে



সিঙ্গাপুর, নভেম্বর ০২ :
ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমনা মফম অসিদা চথরিবা লৈবাক মঙাগী এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি ৱিমেন'স হোকি টুর্ণামেন্টকী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মালেসিয়াবু ২-০ দা মায়থীবা পীখিদুনা ফাইনেলগীদমক খোঙফম শেমখ্রে।

ইন্দিয়াগী পুনম রাণিনা মেচকী মিনিট ৭ চৎপা মতমদা ফিল্ড গোল অমা চনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি অমদি মেচকী মিনিট ৪৫ চৎপা মতমদা দীপিকানা পেনালটি কোর্নর অমা মায় পাক্লা চনশিনখিদুনা ইন্দিয়ানা মাঙজিল থাখি।

মেচ মায় পাকখিবা অসিনা ইন্দিয়ানা মেচ অহুমদগী পোইন্ট ৭ ফংখ্রে। ইন্দিয়ানা টুর্ণামেন্ট অসিদা মখোয়গী অহানবা ফংখিবা মেচতা জপানগা ২-২ দা দ্রো চৎখি অদুগা অনীশুবা মেচতা সাউথ কোরিয়াবু ৩-২ দা মায়থীবা পীখি। হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়ানা মেচ অমত্তা মায়থীদনা লৈরি।

ৱর্ল্ড নম্বর ১২ দা লৈরিবা ইন্দিয়ন টিম অসিনা ৱর্ল্ড নম্বর ৮ দা লৈরিবা চিনাগা লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতা অরোইবা রাউন্দ রোবিন মেচতা শান্নগনি। রাউন্দ রোবিন ষ্টেজদগী টোপ টিম অনীনা দাইরেক্ট ওইনা ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইগনি অদুগা থাংজ নুমিৎতা অহুমশুবা অমদি মরিশুবা খ্বাইদগী ফবা টিমশিংনা ব্রোঞ্জ মেদলগীদমক শান্নগনি।

মেচ হেক হৌখিবগা ইন্দিয়ন টিমনা মায়োক্লখিবা মালেসিয়াগী সাইদতা অকনবা মওংদা এটেক তৌদুনা চঙশিনখি। ইন্দিয়ানা অয়াম্বা মতমদা বোল পায়দুনা শান্নখিবনা মেচ অদু দোমিনেট তৌনা চৎখি। ইন্দিয়ানা মালেসিয়াগী সাইদতা চঙশিনখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৭ চৎপা মতমদা পুনম রাণিনা গোল অমা চনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অমত্তনা অহেনবা অমদি ইক্বেলাইজ তৌগদবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা ইন্দিয়ানা অহেনবা মতীং উত্তুনা শান্নরকখি। মাখোয়না মায়োক্লখিবা ওপোনেন্টকী মায়কৈদা চঙশিনখিবা এটেক অমদা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি। পেনালটি কোর্নর অদু মেচকী মিনিট ৪৫ চৎপা মতমদা দীপিকানা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা নিংথিনা মালেসিয়াগী গোল পোষ্ট মনুংদা য়ৈশিনখিদুনা গোল ওন্থোক্তুনা ২-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

টিম অনীমক্কা অপীবা মতম ফাওবদা অহেনবা অমদি ইক্বেলাইজ ওইগদবা গোল অমত্তা চনবা ঙম্নখিদবদগী মালেসিয়ানা ইন্দিয়াগী মখুৎতা মায়থীহৌখি।

# হর্দিক পান্দয়াবু ইন্দিয়াগী টেষ্ট স্কাদতা নৌনা য়াওবা ঙমখ্রে

ন্যু দেল্লি, নভেম্বর ০২ :
ওল রাউন্দর হর্দিক পান্দয়াবু ইংলেন্দগী মায়োক্তা শান্নগদবা অহানবগী মেচ অনীগী মেম্বর ১৫ না শাবা ইন্দিয়াগী টেষ্ট স্কাদ অমা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লাউথোকখিবদা য়াওখিবগা লোয়ননা সেনিয়র স্পীদষ্টর ইশান্ট শর্মাসু টিমদা হল্লকখ্রে।

ইন্দিয়ন টিম অসিদা কে এল রাহুল, শিখর ধৱন অমদি ভুবনেশ্বর কুমারনা মশাগী ফিটনেস ওইদবগা মরী লৈননা টিমদা য়াওবা ঙমখিদে। বেটসমেন রোহিট শর্মাসু মহাক্কী ফৈবোমদা শোকপনা মরম ওইদুনা সর্জরিগী মথৌ তাবনা টিমদা য়াওখিদ্রে।

ইন্দোর টেষ্টতা ন্যু জিলেন্দগী মায়োক্তা হাফ সেঞ্চুরি লৌখিবা ভেটরান ওপনর গৌতম গম্ভিরনা স্কাদতা মহাক্কী মফম কনবা ঙমখি। স্কাদ অসিদা কারুন নয়রবু রিজর্ভ বেটসমেন অমদি জয়ন্ট যাদভপু মরিশুবা স্পিন্নর ওইনা স্কাদতা য়াওখি। অতোপ্পা স্পিন্নর অহুম অদুনা রভিচন্দ্রন অশ্বিন, রভিন্দ্রা জাদেজা অমদি অমিট মিশ্রানি।


পেস দো মোহম্মেদ শামি অমদি উমেশ যাদভনা স্কাদতা মখোয়গী মফমশিং কনবা ঙমখি। অজিঙ্কা রাহানে, চেটেশ্বর পুজারা অমদি মুরালি ভিজয়না ওটোমেটিক ওইনা স্কাদতা য়াওখি।

সেলেক্সন কম্মিটিগী মীফম অমা এম এস কে প্রসাদনা চেয়র লৌদুনা পাঙথোকখিদুনা পান্দয়াবু কুপ্না য়েংখি অমদি মহাক্কী ওল-রাউন্দ এবিলিটিজ অদুবু য়েংলগা মহাকপু স্কাদতা য়াওবদা অয়াবা পীখি।

প্রসাদনা হায়খি, করিগুম্বা নঙনা হর্দিক পান্দয়াদা য়েংলবদি মহাক্কী পেস অসি হেঙ্গৎলে হায়বদু খঙগনি। মহাক্কী ওভর ওল পার্সনেলিটি অসি মতীক চপ চারে। মহাক্না ও দি আই সেরিজদা মশক থোক্লা পার্ফোমেন্স পীখি অমদি পার্ফোমেন্স অসিমক এ টূরগী মনুংদসু পীখি। পান্দয়া অসিগী হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়াগী ফীভম অসিদা মশক থোকপা ওল রাউন্দর সীমর খরগী মনুংদা অমা ওইরিবনি। ঐখোয়না কাপিল দেভগী মতুংদা অল-রাউন্দর অমা থিদুনা লাক্লি। ঐখোয়গী স্পিন্নর অহুম লৈরে অদুবু পান্দয়ানা অনীশুবা সীমর অমদি বেটসমেন অমসু ওইরি হায়না প্রসাদনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী স্কাদ মেম্বরশিং অদুদি ভিরাট কোহলি (কেপ্টেন), অজিঙ্কয়া রহানে, ইশান্ট শর্ম্মা, চেটেশ্বর পুজারা, গৌতম গম্ভির, জয়ান্ট যাদভ, অমিট মিশ্রা, রভিচন্দ্রন অশ্বিন, রভিন্দ্রা জাদেজা, ৱারিধিমন সাহা (ৱিকেট কিপর), কারুন নয়র, মুরালি ভিজয়, মোহম্মেদ শামি, উমেশ যাদভ অমদি হর্দিক পান্দয়ানি।

# দব্লিয়ু টি এ রেঙ্কিংদা এঞ্জেলিগ কার্বরনা মকোক্তা, সিবুলকোভানা মফম অহুম কাখৎলগা মঙাশুবা মফমদা লৈরে



পেরিস, নভেম্বর ০২ :
হন্দক্তা লোইশিনখিবা দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলগী টাইটল লৌখিবদগী দোমিনিকা সিবুলকোভানা মহাক্কী অপুনবা পোইন্ট ৪,৮৭৫ ফংবা ঙমখিদুনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা থোকখিবা ৱিমেন'স টেনিস এসোসিএসন (দব্লিয়ু টি এ) গী ইনৌ নৌবা রেঙ্কিংদা হান্না লৈরম্বা মফমদগী মফম অহুম কাখৎলগা মঙাশুবা পোজিসন্দা লৈখ্রে।

অমরোমদা সিঙ্গাপুরদা লোই-শিনখিবদা ঙাইখ্রিবা দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলদা স্বিসকী মার্টিনা হিঙ্গিসকা জুরা শেমদুনা শান্নখিবা ইন্দিয়াগী ষ্টার প্লেয়র সানিয়া মিরজানা মায়থীহৌখ্রবসু দবলসকী রেঙ্কিংদা থংন-থংননা খ্বাইগী মকোক্তা লৈবা চহী অনী শুখ্রে।

স্লোভাকিয়াগী সিবুলকোভানা সিজন অসিগী অরোইবা ওইনা সিঙ্গাপুরদা পাঙথোকখিবা দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলদা ৱর্ল্ডগী নম্বর ৱান ওইরিবী জর্মনিগী এঞ্জেলিগ কার্বরবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী চাউবা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

দব্লিয়ু টি এগী রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা জর্মনিগী কার্বর অমদি অমেরিকাগী সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা মথংশিৎনা অহানবা অমদি অনীশুবা মফমদা লেঙদনা লৈরি। পোলিশকী অগনিজকা রাদৱানস্কানা অহুমশুবা মফমদা অদুগা রোমানিয়াগী সিমোনা হালেপনা মরিশুবা মফমদা লৈখ্রে।

দব্লিয়ু টি এগী রেঙ্কিংদা মকোক মথং লৈরিবা প্লেয়রশিং অদুদি অহানবদা জর্মনিগী এঞ্জেলিগ কার্বর (পোইন্ট ৯,০৮০), অনীশুবদা য়ু এস এগী সেরেনা ৱিল্লিয়মস (পোইন্ট ৭,০৫০), অহুমশুবদা পোলেন্দগী অগনিজকা রাদৱানস্কা (পোইন্ট ৫,৬০০), মরিশুবদা রোমানিয়াগী সিমোনা হালেপ (পোইন্ট ৫,৫২৮), মঙাশুবদা স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা সিবুলকোভা (পোইন্ট ৪,৮৭৫), তরুকশুবদা চেক রিপব্লিক্কী কারোলিনা প্লিস্কোভা (পোইন্ট ৪,৬০০), তরেৎশুবদা স্পেনগী গার্বি মুগুরুজা (পোইন্ট ৪,২৩৬), নিপানশুবদা য়ু এস এগী মেদিসন কিজ (পোইন্ট ৪,১৩৭), মাপনশুবদা রসিয়াগী সভেটলানা কুজনেটসোভা (পোইন্ট ৪,১১৫) অমদি তরাশুবদা গ্রেট ব্রটেনগী জোহন্না কোন্টা (পোইন্ট ৩,৪৫৫) নি।

অমরোমদা, দব্লিয়ু টি এনা লাউথোকখিবা দবলস রেঙ্কিংদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ইন্দো-স্বিসকী জুরা সানিয়া অমদি মার্টিনানা সিঙ্গাপুরগী দব্লিয়ু টি এগী সেমী ফাইনেলদা রসিয়াগী জুর ইকাটেরিনা মকারোভা অমদি ইলেনা ভেস্নিনাগী মখুৎতা মায়থীহৌখিদুনা লৈহৌখ্রবসু সানিয়াদি মালেমগী দবলসকী রেঙ্কিংদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি।

চৎলিবা চহী অসিদ সানিয়ানা মার্টিনাগা জুরা ওইদুনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী টাইটল লৌখি। মতুং তারকপদা সানিয়ানা মার্টিনাগা চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা খায়দোক্লখি। মবাইনি খায়দোক্লখ্রবা মতুংদা সানিয়ানা চেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাগা লম্বা শেমদুনা সিন্সিনাটি মাষ্টর্সকী টাইটল লৌখি।

# টিম ইন্দিয়া, ওফ স্পিন্নর রভিচন্দ্রা অশ্বিননা আই সি সিগী টেষ্ট টিম অমদি বোল্লর রেঙ্কিংদা মখা তানা মকোক্তা লৈখ্রে



দুবাই, নভেম্বর ০২ :
টিম ইন্দিয়া অমসুং মসিগী ওফ-স্পিন্নর রভিচন্দ্রন অশ্বিননা ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না নৌনা থোকখিবা টেষ্ট টিম অমসুং বোল্লর রেঙ্কিংদা মখা তানা অদুমক মকোক থোংবা মফমদা লৈখ্রে।

ভিরাট কোহলি এন্দ কোগী টিমনা অপুনবা পোইন্ট ১১৫ ফংদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি অদুগা পাকিস্তাননা পোইন্ট ১১১ ফংদুনা অনীশুবা অমদি ওষ্ট্রেলিয়ানা পোইন্ট ১০৮ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি। ইংলেন্দ, সাউথ অফ্রিকা, শ্রীলঙ্কা, ন্যু জিলেন্দ, ৱেষ্ট ইন্দিজ, বাংলাদেশ অমদি জিম্বাবৱেনা মথংশিৎনা মরিশুবদগী তরাশুবা মফম ফাওবদা লৈরি।

পনবা য়াই, বাংলাদেশনা মিরপুরদা শান্নখিবা মেচতা ইংলেন্দবু রন ১০৮ দা মায়থীবা পীখিবদগী পোইন্ট ৮ ফংবা ঙমদুনা অপুনবা পোইন্ট ৬০ ওইদুনা টেষ্ট শান্নবা লৈবাক ১০ গী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবা লৈবাক ওইনা মাপনশুবা রেঙ্কতা লৈখি। মরিশুবা মফমদা লৈরিবা ইংলেন্দনা বাংলাদেশকা শান্নখিবা টেষ্ট সেরিজ দ্রো ওইখিবদগী পোইন্ট অহুম মাঙজখিদুনা অপুনবা পোইন্ট ১০৫ দা লৈখি।

আই সি সিগী নৌনা থোকখিবা বোল্লরগী লিষ্টতা ন্যু জিলেন্দগী মায়োক্তা শান্নখিবা সেরিজ অদুদা ৱিকেট ২০০ অথুবদা লৌবা ঙম্বা অনীশুবা বোল্লর ওইখিবা স্পিন্নর অশ্বিননা অপুনবা পোইন্ট ৯০০ ফংদুনা মখা তানা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি। সাউথ অফ্রিকাগী দেল ষ্টেয়ননা পোইন্ট ৮৭৮ অমদি ইংলেন্দগী জেমস এন্দসর্ননা পোইন্ট ৮৫৩ ফংদুনা মথংশিৎনা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা মফমদা লৈরি। ইন্দিয়াগী রভিন্দ্রা জাদেজানা পোইন্ট ৮০৫ ফংদুনা তরেৎশুবা মফমদা লৈরি।

অদুগা ওল রাউন্দরগী লিষ্টতা অশ্বিননা পোইন্ট ৪৫১ ফংদুনা মখা তানা মকোক থোংবা মফম কল্লি অদুগা জাদেজানা পোইন্ট ২৯২ ফংদুনা মঙাশুবদা লৈরি।

নিংশিংবা য়াই, হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ইংলেন্দগী মায়োক্তা শান্নখিবা মেচতা বাংলাদেশপু মায় পাকহনখিদুনা সেরিজ অদু ১-১ দা দ্রো ওইহনখিবদা চাউনা মতেং পাংখিবা বাংলাদেশকী নহা ওইরিবা স্পিন্নর মেহেদি হাসননা টেষ্ট বোল্লরগী লিষ্টতা ৩৩শুবা মফমদা লৈখি। হৌখিবা থা নিপানগী মমাঙদা মিরপুরদা পাঙথোকখিবা আই সি সি অন্দর-১৯ ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপ ২০১৬ তা প্লেয়র ওফ দি আই সি সি অন্দর-১৯ ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপ ২০১৬ কী মনা ফংখিবা মেহেদিনা ইংলেন্দগী মায়োক্তা শান্নখিবা সেরিজ অদুদা রন ১৫৯ পীথোক্লগা ৱিকেট ১২ লৌখিবনি।

ওফ-স্পিন্নর মেহেদিনা মমাঙ চয়োলদা চিটাগোংদা মহাক্কী অহানবা টেষ্ট শান্নদুনা রন ১৩৮ পীথোক্লগা ৱিকেট ৭ লৌখিদুনা অহানবা ওইনা প্লেয়র রেঙ্কিংদা য়াওবা ঙমখিবনি।

টেষ্ট বেটসমেনগী রেঙ্কিং লিষ্টতা অজিঙ্কা রহানেনা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা বেটসমেন ওইনা পোইন্ট ৮২৫ ফংদুনা তরুকশুবা মফমদা লৈখি। অদুগা চেটেশ্বর পুজারা অমদি টেষ্ট কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা মখোয়গী হান্না লৈরম্বা মফমদগী অমমম হায়গৎলগা মথংশিৎনা ১৪ অমদি ১৬ শুবা মফমদা লৈখ্রে।

বাংলাদেশ সেরিজদা মশক থোক্লা রন লৌবা ঙমখিদবা ইংলেন্দগী কেপ্টেন অলষ্টর কুকনা রন ১৪ অমদি ৫৯ লৌখিদুনা হান্না লৈরম্বা মফমদগী অমা হায়গৎলগা ১১শুবা রেঙ্কতা লৈখি। বাংলাদেশকী ওপনর টামিম ইকবালনা ইংলেন্দগী মায়োক্তা রন ১০৪ অমদি ৪০ লৌবা ঙমখিদুনা মফম করি কাখৎলগা ২০শুবা মফমদা লৈখি। মহাক্কী টিমমেট মোমিনুল হখ অমদি শাকির অল হাসননা হান্নদগী মফম অমমম হায়গৎলগা মথংশিৎনা ২৬ অমদি ২৭শুবা রেঙ্কতা লৈখি। ইংলেন্দগী জো রুটনা রন ৫৬ অমদি ১ লৌখিবদগী মফম অনী হায়থরগা মঙাশুবা মফমদা লৈখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী কেপ্টেন ষ্টিভ স্মিথনা মখা তানা খ্বাইগী মকোক্তা অদুগা সাউথ অফ্রিকাগী হাশিম অমলানা অহুমশুবা মফমদা লৈখি।

# ইন্দিয়ানা ৱর্ল্ড কেরোম চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগনি

ন্যু দেল্লি, নভেম্বর ০২ : য়ুনাইটেদ কিংদমনা য়ুম্থু ওইদুনা মসিগী বিরমিনঘামদা নভেম্বর ৭ তগী ১১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা তরেৎশুবা ৱর্ল্ড কেরোম চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী কেরোম টিমবু য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর ভিজয় গোয়েলনা মফম অসিদা হরাউত্নাম্না ওকখ্রে।

হান্নগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন রাশমি কুমারি অমদি য়োগেশ পার্দেশিবু ইন্টরনেসনেল কেরোম ফেদরেসন্না ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রিশিং পীখি। ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অদুদা ওল ইন্দিয়া কেরোম ফেদরেসনগী সেক্রেটরি ভি দি নরায়ন্না টেক্নিকেল দিরেক্টর ওইগনি অদুগা মহেশ সেখরিনা চীফ রেফ্রি ওইনা শরুক য়াগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা লৈবাক ১৫ না শরুক য়াগনি। শরুক য়াগদবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়া, য়ুনাইটেদ কিংদম, য়ু এস এ, কনাডা, স্বিটজরলেন্দ, জর্মনি, ফ্রান্স, ইটালি, চেক রিপব্লিক অমদি পোলেন্দ য়াওরি। শ্রীলঙ্কানা অরোইবা এদিসনদা লেমজনিংঙাই ওইরবা মেন'স সিঙ্গলস টাইটল লৌখি। ইন্দিয়ন টিম মেম্বরশিং অদুদি নুপাগীদা সন্দীপ দিওরুখকর, রিয়াজ অকবর আলি, প্রাশান্ট মোরে, আর এম শঙ্করনি। কোচনা অরুন কেদর, মেনেজরদা পি এস বাচেরেনি। নুপীগীদা কাজল কুমারি, এন অপুরৱা, এম পারিমাল দেবী, টুবা সেহরনি। মেনেজরদা ভারত ভুষণনি।

# নরেন্দ্র মোদিনা পরালিম্পিক মেদলিষ্ট দিপা মালিকপু ওকখ্রে

গুরগাওন, নভেম্বর ০২ : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা রিও পরালিম্পিক্সতা মেদল লৌরকখ্রবা দিপা মালিকপু হরাউ তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা লুপা ক্রোর ৪ গী শেনফমসু এৱার্দ ওইনা খুৎশিন্নখ্রে।

হরিয়ানাদগী হৌরকখিবী মালিকনা রিওদা পাঙথোকখিবা পরালিম্পিক্স গেমসদা মেদল লৌদুনা ইন্দিয়াগী অহানবা মেদল লৌবা ঙম্বী নুপী এথলেট ওইখি। মহাক্না নুপীগী শোট পুট ইভেন্টদা সিলভর মেদল লৌখি। মহাক্না পরালিম্পিক্স অদুদা মিটর ৪.৬১ শান্না লংদুনা সিলভর মেদল অদু লৌখিবনি।

মহাকপু হরাউ তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা লোয়ননা হরিয়ানাগী গভর্ণর কপ্টান সিংহ সোলাঙ্কি অমদি চীফ মিনিষ্টর মনোহর লাল খাটারগা পুন্না দাইজদা ফম্মিন্নখি।

হুইল চেয়রদা ফম্লিবী দিপা মালিকপু প্রাইম মিনিষ্টরনা মহাক্কী ফম্ফমদগী হৌগৎলগা দিপা মালিকক্কী মনাক্তা চঙদুনা হরাউবা ফোঙদোকখি। মোদিনা লুপা ক্রোর ৪ গী শেনফম অদু চীফ মিনিষ্টর খাটার অমদি হরিয়ানাগী স্পোর্টস এন্দ য়ুঠ এফেয়র্সর মিনিষ্টর অনিল ভিজগী মমাঙদা মালিকতা খুৎশিন্নখি।

HURRY! ꯇꯣꯞ-꯱꯰ HURRY!
TOP-10 PRODUCTION CENTRE
Sega Road, Thouda Bhabok Leikai,
Near *Hueiyen Lanpao* Press
ADMISSION OPEN
1. Foundation Course for Cl-IX & X (BOSEM)
*Duration* : 4 months *Fee* : Rs. 2,200/- per subject
Rs. 10,500/- (all subject)
2. Revision Course for Cl-X (BOSEM)
*Duration* : 2 months *Fee* : Rs. 5,500/- (all subject)
*Subjects* : English, Maths, Sc., S.Sc., Man
*Class starts* : 5th December, 2016
*Last date* : 20th November, 2016
VAN SERVICE AVAILABLE
*Minimum fee with instalment basis*
*Every student can choose subjects separately*
➤ Conducted by well qualified experienced teachers.
*For more details, Pliz call* ☎ 8794523940 9615049496
HL-P/10434/3-17 Nov.

ADVANCED COACHING INSTITUTE Regd. No.-729
Only25 Seats per class(each section)
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road
Max. no. of selection every year in min. no. of intakes
REGULAR MEDICAL COURSE (2017)
ENGINEERING (2017) FOUNDATION
COHSEM
The Largest,Trusted&Premier Coaching Institute,Imphal in both Sc.&Arts
CBSE
Sc. & ARTS
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE X & XII
TIME 4.40-7.40AM 4.40-7.40PM
ARTS & Sc.
Class xii Sc./Arts(COSEM) from 7th Nov, 10th Nov.
Class xii Sc./Arts(CBSE) from 27th Oct, 3rd Nov
Class x-SA II from 27th Oct, 3rd Nov
Foundation course for class ix,x started from 8th, 15th Dec
only 50 seats for two sections, Remaining few seats- Last date :23rd November.
Fee concession for merit students, ex-students,OBCs,ST,SC,distance students
Separated boys,girls hostel,van servicelibrary facility #7308911167/9862992105
Time: 9.30am-1.30pm 12.30pm-4.30pm
HL-B/3319/14-30 Sep.&1, 3, 5 Nov.